# মৈতৈ-নেসন কন্নবা, পোলিটিক্স তৌসি ঐখোয়

তারিখ অহুমগী নুমিদাংৱাইরমদগী মৈ হৌদুনা চাক্লকখিবা 'মণিপুর' লাকশিনবা ঙমদ্রবা ঈরাং ওইনা মে তারিখ ২৫ ফাওবা, মীওই কয়া শিখ্রবা, য়ূম কয়া তাঙ্গোয় ওনখ্রবা, লুপা ক্রোর কয়াগী লন-থুম মাঙ-তাকখ্রবা ফাওবা, সেন্টরদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্কী মরু ওইবা লুচিংবা অমত্তা লাক্তুনা য়েংলখিদবা, অৱা অনা তারবশিংগী ফীভম হংলখিদবা, উমংগী মীনি খন্দুনা থৌওইখিদবা ওইরবসু, রাজনিতিৱালা ওইবগী তৌফম থোকপা তাৎ-পাৎকী-ওইদ-ৱাহৈ খরতা ওইরবসু ইলেকট্রোনিক-মীদিয়াদা হায়রকখিদবা অদুনা লমদমসিগী মীয়াম্বু খম থেংনা পেলহনখিদে। ঈরাংসি কন্ট্রোল তৌনবা থারকখিবা সেন্ট্রেল ফোর্স অসিনা তৌফম থোকপা মথৌ তৌরল্লবা, মীয়ামগী অশাওব'সি খরমখৈসু হন্থরমগদবনি। খূৎলায় মতিক চানা পায়রগা খূৎলায় পায়দবা খুঞ্জাশিংদা এটেক চথরিবা কুকি-লান্মীশিংগী মীচং-লেপ্পা মানবা, অফোংবা-মতৌ অদুনা খোয়শাওনবদু হেলহনখিবনি। নুমিৎ কুন্নিথোইনি চূপ্পা মচিন-মরৈ ফোৎচিন্দুনা লৈখিবা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী অঙম-অথৌশিং, মতৌদুনা নৱাংহল্লবা কুকি-মিলিটেন্টশিংগী লেপ্পা লৈত্রবা এগ্রেসন্দুদা খাঙবা ঙমদ্রবা, চৈনা ফংলবা বিষ্ণুপুরগী প্রজাশিং, স্পোর্টস এন্দ ৱার্ক্স-মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী য়ূমদা থোমজিল্লকপদুদি, জুন ১৮ নীংশিংলক্লমাল্লে - য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম, মণিপুরগী ফীভম য়েংশিল্লনবা থারক্লে, নিত্যায়নন্দ রায়। করি তৌবা লাকপনো? কনা কনা উন্নদুনা করি ৱারী শাখ্রবা? ঐখোয়দদি করিমত্তা খঙহন্দে। অমিট শাহ লাক্ল'নি, নুমিৎ হুমনি লৈরনি, মে ২৯দগী জুন ১ ফাওবই মনুংদা কুকি-মৈতৈ অনীগী উংখৎনবা ফরনি - পাউ অসি তম্বা লাক্লিবরা? নুমিত্তুগী নুমিদাং, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রঞ্জনগী য়ূমদসু এটেক তৌরল্লে, মিনিষ্টর বিশ্বাজিৎকী য়ূমদা লাকপা মীয়ামদুদি সিক্যুরিটি পর্সনেল মতম চানা লাক্তুনা তানখায়খ্রে... পাউ অসিনা পীরিবা মেসেজ, দেল্লীগী লুচিংবশিংনা খঙদ্র'সু ঐখোয়গী মন্ত্রি, এম এল এশিংদি খঙলমগনি। অদুননি 'মমল য়াম্বা পোৎ চৈ-ফর্নিচর হোন্দোক্লবা হৌখরে' হায়বা তোকঙা অমা শন্দোরক্লিবা। লৈতানা ফম্বা, তূম্বা-হীপ্পা ঙল্লক্তদুননি মখোয় খরা হৌনদুনা গুৱাহাটি'দা অতোপ্পা প্রোগ্রাম অমগীদমক লাকপা হোম মিনিষ্টর 'অমিট শাহ', পরপ পরপ চত্তুনা উন্নহৌরুরিবা! মখোয়গী মথক্তা হৈথরক্কদবা মীয়ামগী অশাওবা, খরতং ওইরবসু হন্থনবা। মখোয় চৎখ্রে তাবদা ঐখোয় চিংনখিবদুমক থোকখি - সী এম বিরেন অমসুং মখোয় খরা, স্পেসল প্লেন থারত্তুনা দেল্লীদা কৌরগা মোইথেম তৌদুনা থারকখিবদুগুম থারল্ল'নি। মখোয়না করি হায়রম্বা, করম্না ৱারী শারম্বা হায়বদুদি টিভি রিপোর্টর অমত্তনা রেকোর্দ তৌহৌবা নত্তবনা ঐখোয় খঙদে। মখোয়না তম্বা পাউদুতনি প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী খূত্থাংদা ঐখোয়দা য়ৌরক্লিবা। ... 'অমিট শাহ-জিনা ঐখোয়দা থাজবা পীরক্লে'... 'অরানবা তৌবশিং অমত্তা লেম্না থারোই'... ওইদবা লীশিং ঙাঙবদা করিমত্তা চিংনবা পোক্তুবা, শিনফম্না ঙাঙহল্লকপনি... খল্লবা মখোয়গী চীনফা পুরবা ৱাহৈনি। লূম্না লৌদে ঐহাক্তি। মণিপুরগী লুরবা সোসল নৎত্রগা পোলিটিকল ইস্যু অমদা মণিপুরগী মৈতৈ পোলিটিসিয়ন অমনা নেসনল লিদর নৎত্রগা জর্নেলিষ্ট অমগী মফমদা কনভিন্সিংলি ৱারী শাবা ঙমগনি নৎত্রগা থম্মোয় খোনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরক্তবদু, হন্দক্কী মৈতৈ-কুকি ৱাথোকসিদা কনফার্ম তৌরে। মৈতৈ হায়বা ফুরুপসিগী তুংলমচৎ, সরভাইভেলদা শীংনরক্লবা, চিরবা তানফম অসিদা মতিং থোক্লা, থৌনা লৈনা, হিন্দি নৎত্রগা ইংলিস'তা কম্মান্দ-লৈনা, ময়াদা মৈ হৌবা (ফায়রব্রান্দ) লীদর অমা ওইনা নেসনল ন্যুজ-চেনেল অমত্তদা থোক্লক্তে। অমিট শাহ উন্নবা চৎপদা এয়রপোর্ট'তা নৎত্রগা পব্লিক প্লেস অমদা প্রেসমেনশিংনা ৱাহং হংননবা কোয়তান তান্নখিবা, কোয়শিন্নবা হোৎনখিবদু 'দ্রগলোর্দ খরনা মণিপুরবু অনৌবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল অমা ওইহন্নবা হোৎনরম্বা থিংলুবদগী ওইরক্লিবা শক্তম অসি নেসনল মীদিয়াদা পাউদমদুনা খঙহন্নবগী খ্বাইদগী তাঙনা ফংব' তাঞ্জানি। লেম্না মাঙহল্লম্লোইদবনি। বোর্দর ফেন্সিং তৌদনা কাঙলোন কায়না চঙশিল্লকপা ফোরেন্নরশিং কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদবা... চঙশিল্লকখ্রবা মীতোপশিং, উমং কোকথোক্লগা চীংদা খুন্দাশিল্লম্বা, শাশিন্নবা শকখঙ-চে... নৌনা শেমগৎলকপা কুকি-অন্দরগ্রাউন্দ-ওর্গনাইজেসনশিং, কুকিশিংতগী ওইবা তোখাইবা হোমলেন্দ দিমান্দ... অননেচরেল পোপ্যুলেসন গ্রোথ অমসুং য়ূমলোন্নবা লৈবাক্কী পোলিটিকল ক্রাইসিস... দ্রগ লল্লোনবা মীশিংগী পোলিটিকল কনেক্সন, পোলিটিকল পাৱরনা শোকপা ঙমদ্রবা শক্তি লৈরবা দ্রগলোর্দশিং... পাক চাওরবা চীংমায়শিং, উপাল ৱাপাল তেমথোক্লগা পোপি পান্থী থারম্বা, দ্রগকী মায়োক্তা লান লাউথোরক্তুনা মালেমগী কৈথেলদা চাইথোকখিনবা দ্রগ শুংফম লীংখৎনবই থৌরাং কায়খিবা... পূম্নমকসিনা নীংবা কায়হন' খোয়শাওনরবা কুকি নহারোলশিং - মৈতৈশিংগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দগা মরী লৈনবা কোর্টকী ৱায়েল অমদা পাউথোং ওই' ঈরাং অমা শাগৎলকপই ৱারীদু লীথোক্লবই তাঞ্জা, অদুদই হেনবা করি অমুক লাক্কদগে? ঈপাক অমগী ঈশিংবু অপীকপা খুজায় অমদা হাপচিন'ঙম্বা... পুং অহুমগী লেকচর'বু মিনট অহুমদা তেনশিন'ঙম্বা - মহাক্তুবু নত্তরা মীয়ামগী অশেংবা লুচিংবা, পোলিটিকল লীদর হায়বদো? থৌ চিনবা শাদুনা লৈথোক্তুনা চৎখিবা জর্নেলিষ্টশিংগী ৱাহং পাউখুম পীখিদবা-মশাগী অশোনবা উৎথোকচবনি। মরৈবাক্কীদমক মশানা পাঙথোক্কদবা থৌরাং করিনো খঙদবা, মশাগী ওইজ-ওইথক থিবতমক মখঙবা নৎত্রগা মথম্মোয়দা ফাওজবা ৱাখলদু হিন্দি নৎত্রগা ইংলিসতা চিনবান্দুনা ফোঙনবা ৱাহৈ লৈতবা নৎত্রগা ফোঙদোক্লুরগা নাতোন চাউবা দেল্লীগী মবুংঙোশিংদুনা শাউরক্কদ্রা কিজবা- মরম অমা নৎত্রগা অমদি শোয়দনা ওইগনি। অদুবু, অপঙবা ঐগী ৱাখলদদি ফাওই। 'হায়নীংলিবা ৱাদু হায়নবা লোন অদু মরোন শুনা খঙদবা অমসুং হায়'দৌরিবা হীরমদুগী ইনফোর্মেসন/নোলেজ, মকোক্তুদা ষ্টোক মতিক চানা লৈতবা' অদুনা শোয়দনা ওইগনি। থোক্লিবা ৱাথোক/ইস্যু অসিখক্কী ৱা নত্তে, মাঙগী এক্সপরিএন্সতগী ঐখোয় 'সিমদি খঙই - ঐখোয়গী এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা, নেসনল প্লেটফোর্ম অমদা লমদমসিগী ইকায়খুম্নবা মাঙহন্দা' ৱাঙাঙলুবা ঙম্বদি মখোয় অমা অনীতনি। কুম্মাথোইশুবা চহীচাদা হিংলিবা ঐখোয়নি পোলিটিক্স হায়বা হীরমসিনা মীওইবই শিন্থা পূম্নমক্তগী পূমথোই থোইবা শিন্থানি। পূমথোই থোইবা মখোয়তবু খনগত্তুনা পোলিটিক্স তৌহনসি। মমিং ফাওবা ইবা হৈতবী 'ৱাব্রী দেবী' বু চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়াহনবা ইন্দিয়ন পোলিটিকল সিষ্টম'সিদা য়াওরুবগী চৈথেং ফংলিবা মণিপুরনি, মাইনোরিটি ওইরসু মেজোরিটিনি চাউথোকচরুবই চৈনা ফংলিবা মৈতৈনি, কল্লক-য়েংথী-য়েক্লবনা কোয়শিল্লবা হিংফম-লৈত্র' ফুরুপনি, পোলিটিসিয়ন খনবদদি অরান-অহুই তৌ'গুমসি। অরানবদু তৌরুবই চৈথেংদুনি ফংলিবা। মখৈ ফংনা ৱার'কান, মথৌ হৈত্রে খঙল'কান ময়ূম-মকৈ থুগায়রুবই কান্নববু করিনো? খঙলেদনা হৌজিক্তি - মাঙদসু লাংনা থৎলবা, তুংদসু তেন্না তেন্দল্লবা উরোক্তুনি ঐখোয়। ইঙক অসি থাঙ্গৎনা হিংঙমদবই পান্থে অমত্তনি ইমাঙসিদা তারিবা-মরমদম্বু শক খঙবা, মজাতিবু নুংশিবা, ইন্টরনেসনল রিলেসন্স মুন্না-খঙবা, লাইরিক হৈবা পোলিটিসিয়নশিংদা লৈবাক অসি শিন্নবা...লিশীং অনী অহুমগা ভোট'কা শিন্নবই ৱাখল অদু কাউথোকপা। মণিপুর ভেল্লি - চীংগী লমদনা ইম্ফাল-তম্পাক হায়নবা, লম মচেৎ অসিনি চীংমী-তম্মী, মনুং-মপান পূম্নমক্তই লাকপা মী পূম্নমক্না খুন্দা-লৈতা লৈবা লম। নুংশি-চাওবী, থৌজাল হৈবী পলেমনি খন্ন' চাওথোকচবা লম।

হৌজিক্তি মৈতৈ কৌবা ফুরুপসি মতম অমই জর্মনগী লৈমায়দগী মূৎখ্রগনি খন্নরম্বা ফুরুপ্তুনা 'ইজরেল' কৌবা লমদম অমা লিংদুনা 'মতিং লৈবা মঙালতনা ফুদোংবা, মালেমসিনা কল্লক্রুবা জাতি অমা ওইরকখিবা করম্ন? মৈতৈ মচা খুদিংনা নৈনফম থোকপা হীরম অমা ওইরক্লে। নাক-য়েৎ-মাঙ-তুং, মায়কৈ মরিমক্তা নেচরেল এনিমি আরব কন্ট্রিনা কোয়শিল্লবা 'ইজরেল' নদি মীথোই মীহেন্না নেসন অমা ওইনা হিংবা ঙল্লগা ঐখোয়নদি করিগী মৈতৈ-নেসন অমা ওইনা হিংবা ঙল্লোইদৌরিবা? কম্যুনেল ওইবা ৱাখল নত্তে। হিংমিন্নবই ৱাখল য়াওদবা য়ূমলোন্নবগা হিংমিন্নবা য়াদ্র হিংনবই পান্থে অমদি পুথোক্লকপা তাবনি। হিন্দুত্ব'দা থাজবা লৈঙাক অমনা, মাইনোরিটি মৈতৈ-হিন্দুশিংগী মফমদা তৌরিবা ইনজষ্টিস! হায়জ-নোনজ তৌদুনা ঈরু লূক্না হিংগুমসি। ঈঙক অসি থাঙ্গৎনা হিংবা তমসি হৌজিক্তি। পোলিটিক্স তৌসি ঐখোয়সু। জি হুজুর (য়েস বোস) পোলিটিক্স নত্তবা।

*—ইন্দ্রকুমার*

# পলহৌরবা কাউশিং - (২)

## (চোকথবা নাইদ্রবা পুন্সি অমগী নীংশিং ৱারী খরা)

হোয়, অয়াম্বা অইবগী egocentric খূৎলিনি, খোঙচৎ খুদিং অইবগী এক্সপরিএন্স অদু লীবনি, লোয়ননা লম অদুগী পাউ খরদংদি পুরক্লবা হোৎনবনি। অদুবুদি Criticশিংনা লাউরি - "Travel writing is the most egocentric form of literature after autobiography." (Travel writings in India, Introduction xiii). চুমখ্রবা ৱানি, বাইওগ্রাফর অমত্তনা ফংলরোইদবা পাউনি, ওটোগ্রাফর অমনা ইথোক্লক্লিবা মাগী এক্সপরিএন্সশিংদু। অদুবু হায়নবা লৈ, ওটোগ্রাফর অমতনা মশাগী পুন্সি ৱারী লোইনা ঙমদে, করম্না ইগনি - পীক্লিঙৈগী ৱা, শিরমদাইগী ৱা। অদুগা অতৈ অতৈ মশানা হায়দোক্লিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া। মতাং অদুদনি, sincere ওইদবা autographer অমদগী অফবা বাইওগ্রাফর অমনা হেন্না ফৈ হায়নরবা।

অদুবু ঐখোয়গী ওজা শরতকী অসিদি ফনা য়াম্না sincere ওইনা ইরে হায়নীংঙি। অদুগী মথক্তা শোক তারিখ চপ-চানা পীবা অসিনা অহিংবা রিপোর্ট ওইহল্লে। অদুবুদি হায়রিবনি ক্রিটিকশিংনা - "Unless travellers consciously bring in history, their accounts of places they visit tend to make them seem timeless and static". (Ibid, xvi) অদুমক্তি থোক্রে, ওজা শরতকী travel account খুদিংমক। নীংশিং ৱারী ওইবনা হৌনশাগী পাউ খরা নাম্থহৌবা নত্তনা। অপাবশিংনা শোয়দনা হায়গনি, পাউ মপূং ফাদে, খরগা কূপথনা ইরল্লদি হায়না। ইরিবসি তাঙ্কক ৭নি। অহানবমক্তদা ইরি, ''চিংথহৌরবা চেনা', অনীশুবদা 'ঙমখৈ খোঙচৎ অমদা', অহুমশুবদা 'তেজপুরদা চয়োল অমা', মরিশুবদা 'বজার শেন্দাং', মঙাশুবদা 'ত্রিপুরাগী খোঙচৎ অমদা', তরুকশুবদা 'পুন্সিদা দাগফম অমা', তরেৎশুবদা 'মগুলোং খোঙচৎ'।

চিংথহৌরবা চেনা - তাঙ্কক অসিদা অইবনা মোইরাং কোলেজদা এদহোক লেকচরর ওইনা লৈরম্বদগী রিগ্যুলরাইজেসন তৌরকপফাওবগী পুন্সিদা ফাওঙমদ্রবা থৌদোক ৱাথোক খরা পাউদম্বনি। কুমজা ১৯৮৪দগী ১৯৯৩ ফাওবগী ৱারীনি। মসিদা অইবনা থেংনখিবা কাউঙমদ্রবা মীশক কয়াগী পুন্সি ৱারী মতেক মতেক ফাওবা লীরি, মমিংদা পল্লগা তোক্ত্রি। অদুনা অইবসি ওটোবাইওগ্রাফর ওইরম্বদগী বাইওগ্রাফরগী মশক লৌরকখি। মানা য়াবা মী অমত্তা লেম্না থাখিদে। মদুগী মনুংদা শর্মা বুক এজেন্সী ইম্ফালগীদা থেংনরকপা কোংব্রাইলাৎপম লবচন্দ্র শর্ম্মগী ৱারী নুংশিবা য়াওরি। লাইরিক য়োনফমদুদা অইবগী পোত্থাফম ওইরুবদগী লবচন্দ্রবু বি এ ফাওবা পরিক্ষা থাদোক্লবা থৌনা পীবা য়াওরি। লাইরিক য়োনফমদুদা ফম্না ফম্না উখিবা পাচা মৈতৈগী মশক, কবি সমরেন্দ্রগী মশক, জি সি তোংব্রাগী মশক, ওজা চোংথাম মনিহারগী মশক মতেক মতেক য়াওরি। মোইরাং কোলেজদা লৈরিঙৈ থেংনখিবা নবকুমার ওইনামগী মশক, শীংজমৈদগী মহৈরোয় ক্ষেত্রিময়ূম শ্যামচন্দ্রগী নুংশিবা ৱারী মতেক ইরি।

কুমজা ১৯৯১গী থৌদোক্তা থাংজিং চীংদা থেংজিন্দুনা লাইবক থীখ্রবা এরোপ্লেন বোইং - ৭৩৭কী ৱা য়াওরি। মদুদা মানা লুনা থমজবা লুচিংবা ইরেংবম ওজা তোম্পোক্কী ৱারী মখা চথরি। মিত্তা শংশং উহনবা ঙম্বা পাউদম ঙাক্তনি। কুমজা ১৯৯৩গী মৈতৈগা মৈতৈ পাঙলগা হাৎন-শুনখিবগী পাউদম মরক্তা মহাক মশানা ৱানা ময়ূম য়ৌরকখিবগী ৱারী য়াওরি। তাঙ্কক অসি পারুরগা অইবগী পুন্সি অসিদি মৈফমদা ইক্লগা শেল্লকপনি হায়বা উরকই। পাউদম চঙখোল্লি। অপাবা মী অমত্তা তন্থহল্লোই। অইবগী পুন্সি শেন্বদা মোইরাং থাদোকপা য়ারোই হায়বদু উৎলি।

ঙমখৈগী খোঙচৎ অমদা - তাঙ্কক অসিমনা অইবনা টিপাইমুখ চৎপগী ৱারীদুনি লীরিবা। মসিনা কুমজা ২০১০গী ৱারীনি। ইন্দিয়ন নেসনল ত্রষ্ট ফোর কলচরেল হেরিটেজ (আই এন টি এ সী ঐচ) গী থৌশিল মখাদা নোংইন চেক্লোগী চাকতাফম থিবা চৎলিবনি। মখোয় ১৪নি। সঙাই শামুঙো কৌনবা ওজা ডা. খাঙেম্বম শামুঙৌসু য়াওরি। অইবনা চৎপদা অপনবা ঐখোয়গী মীৎ-মায় ওইহৌনবা পাউ কয়া য়াওরি। জিরিবাম য়ৌনা চৎপগী অৱাবা, নুংবাদা চাক চাবা, গাড়ী ইনবা কয়ানি পাউদল্লিবা। জিরিবামদগীনা টিপাইমুখ ফাওবদি মোটোরবোট ৱায়দুনা চৎলিবনি। মদুদা থেংনরকপা খ্বাইরাকপা হিদেনগী ৱারী, নারান্দো বাবাগী চীংগী ৱারী ঐখোয়বু তাহল্লি। খ্বাইরাকপা হিদেন কৌখিবগী ৱাসু হাপচিল্লি। ওন্থোক্লা রিফ্রেশিং ওইখ্রে। তুইবাই তুরেলগা বরাক তুরেলগা অনীগী ইতিনফম অদুবু টিপাইমুখ কৌই হায়বদু অপাবশিংদা খঙহন্নবা হোৎনৈ। মতমদু মনা লৌবা চৎখিবা বঙ্গালি মচা ২/৩ শিখিবগী তাঞ্জাসু ওইবনা ওন্থোক্লা কিনা চৎপা মতৌনি। অদুবু অইবনা কমদৌনা লমদুগী মীশিংদু ৱাখল তাহল্লগা মতেংফাও পাংহল্লকপগী পাইরক্কী লৌশিং কয়া শীজিন্নবা উৎপনা অপাবশিং শ্বর হন্দোকহল্লি। মফমদুগী মীয়োক মীচান ফজবা, য়ুমলৈ-কৈরৈ, চৎনবী, চাকচা-লাকচা মরীক চুম্না পাউদম্মী। টিপাইমুখ লমদমগী লৈশাবীশিংনা ঈশিং শোক্তুনা পুবিরকপা, খুল্লাকপনা চেঙ, হৱাই, কোল লীক পীবা ফজবা মচৎ কয়া উৎলিবা তাঙ্কক অমনি হায়নীংঙি। হল্লকপগী লম্বীদা ৱাখিবা কয়াদুনা য়ূম য়ৌবা ঙল্লরোইদ্রা হায়না অপাবশিংবু খলহনবা ঙম্বা ৱারী খূৎলি অমনি। অদুবু পেলহৌদবদি অহিংদা নোংইন্না থাবলদা শান্নৈ হায়বদুগী পাউ য়াওদবনা মপূং ফাদবা পাউদম মানবা খরদি উরি।

তেজপুরদা চয়োল অমা - অসিনা কুমজা ২০২০দা মাগা লুনা তিন্নজবা নীল্লচন্দ্র শর্ম্মগা তেজ পুরদা চয়োল অমা চৎলুবগী পাউদমনি। পাউদম মমুৎ তাই। হেক উরকপখৈ মরীক চুম্না পাউদম্বা ঙম্মী। কিলোমিটর ৩ হেন্না শাংবা ফালিয়া ভুমড়া সেতু থোংগী মথক্তা অইবনা লেপ্পদু অপাবশিংসু য়াওহনবা ঙম্মী। সহর ময়ায়দা লৈরিবা আইলেন্দ পরুৱা চাড়ালি উহনবদা মসিবু করিগী মমিংদু থোনখিবনো হায়বা অদু খঙনবা থিরকই। মতুংদা চৎপা মীগী পূক্লিং-লৌশিং ওইহনবা ঙম্মী। সেতুগী মমিংগী হৌরকফমসু তাক্লি। অদুগী মথক্তা চহী ৪৪/৪৫গী মমাঙদা লুনা তিন্নখিবা অমগী মনাওনুপা চাউথোই কৌবা অমনা দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট ওইনা লৈরম্বা, উনবা চঙলুবদা হরাওনা ওক্লকপা কয়ামসু পাউদল্লি। অইবগী পুন্সিদা মরুপ-মপাং কয়াবু লুনা লোইনজখিবগী মহয় তপ্না তপ্না চারকপদু উৎলি। অপাবা পূম্বদা নুংশিনবদগী হেনবা লৈতে হায়বদু উৎনবা উৎলি। অদুদগী মেন্টেল হোস্পিটাল লৈরিবদু উরগা তোক্তে। মদুগী মরী মখোঙ খঙনবা হোৎনরকখি।

ত্রিপুরাগী খোঙচৎ - তাঙ্কক অসিদনা অইবনা লূপ অমগী বুক রিলিজ কম পোইটস মিট, ২০২১ য়াওবা চৎলুবগী পাউদম পীরি। অদুসু প্লেন্দা চৎপগী মহুত্তা মচা নুপাগা কার অমদা চৎপগী শাংলবা পাউদম অমা পীরি। অইবনা থেংনরকপা খুদিং মরীক চুম্না পাউ পীনবা হোৎনরি। আগরটলাদা মমিং চৎলিবা নীরমহল কৌবা রুদ্র সাগরদা লৈবা অদু য়েংলুবগী নুংঙাইরবা পাউদম য়াওরি।

অদুবু চেপ্টর অনী অসিদা অইবনা থেংনরকপা পাউদম্বা নত্তনা অপাবশিংগী পূক্লিং চিংশিনগদবা Historical perspective অদুমদি পীবা ঙমদে। অদুবু পাউদম চঙখোনবনা পারুবদা তোকহন্নীংদে।

মগুলোং খোঙচৎ - তাঙ্কক অসিনা লাইরিক অসিগী য়াঙলেন শরূনি। অইবনা চৎলুবা লম পূম্নমক্তগী মসিনা খ্বাইদগী নৌনা থোকপা, অপাবশিংনা য়াম্না খঙনীংগদবা লমদম অমগী ৱারীনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ১৫০ রোম লাপ্পা চীংনুংগী লমদম অমগী পাউদমনি। জেমে লোন্দা 'মগু' কৌবা 'হোই লাউবা উচেক' অমগী মমিং লৌদুনা থোনবা লমনি, মগুলোং। মশক ওন্থোক্লা ফজবা, তোঙান্না তাবা চেক্লানি, থোনবা য়াই মাগী মমিং লৌদুনা। ইংরাজিদা White Crested laughing Thrush কৌই হায়রি। উচেক অসিনা থবক চৎলিবা মী অদুগী মাঙ থৎতুনা খোঙলবদি মঙ্গোল ওইররোই খঙলে হায়রি, তুং লোমদা খোঙলগনা মঙ্গোল ওইনি তাকই হায়রি, লমদুগী থাজনবীনি।

লমদম অদুদা অইবনা চৎতুনা জেমে ফুরুপকী লীখুন লীরুবা অসিমক্তি ওন্থোক্লা থাগৎফম থোকই। তৌববুদি অইবনা হায় স্কুল লিভিং পরিক্ষাগী সুপরভাইজর ওইনা তামৈদা চৎলুবদগী মগুলোং য়ৌশিল্লুবনি। অদুবু অইবগী পাউদম মরীক চূম্বা, থিজিনবগী পেনবা নাইদবা মতৌ অসিমদি অতাঙবনি। অদুনা অপাবা খুদিংনা মণিপুরগী চীংনুং-মান্নুংগী ৱারোল অমত্তং খঙনীংলবদি ওজা শরত হেক্তা নীংশিংনরিবনি। চোকথবা লৈতে, তনবা পোক্তে। কাকফৈনা খোঙ থাংবা য়াদ্রবা মফম অদুফাও রানি গাইদিনলিয়ুগী খোঙ্গুন লীনীংখিবনা অৱাবা খঙখিদে। মাউন্ট ফিসাদা লৈবা নূঙগী শুরুংফাওবা চঙদুনা য়েংলুই।

অইবগী হৌনবী, চৎপু চৎলবদি, লমদুগী হেক থিজিনবা য়াবা, হংবা য়াবা পূম্বা হংলকই, পাউদল্লকই, মীয়ামদা। তশেংনা দিসকোভরর অমগী মতৌনি। মাগী মপান্দগী চীংনুংগী পাউ ফনা য়াম্না খোরিরোন্দা মমি তারক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ফনা কূপ্না খোঙচৎকী পাউদম পীরে হায়নীংঙি। নৌনা চৎনীংবা মীগী রোদ মেপ ফজনা পীরি। খুল অমগী মথঙ অমা লংলানা লেংদুনা উৎলি।

য়ামখ্রে, ওজা শরতকী পাউদম, ৱারে ঐখোয়সু মাগী মতুং ইনবদা, মানা চৎলিখৈ ইন্নবদা, অদুসু মিৎ-না ঙকপা য়াবা নত্তে, পরেং কানবা য়াদে, পাউ অমা হেক্তা লিৎথহৌই। তশেংনা হায়রবদা মাদি লেপত্রি, হৌজিকসু থিবা চৎলি, চীংনুংগী পাউ লৌবা।

মাগী পাউদম অসিগী লোইশিল্লকপদা ৱাফম খরদি চোংথোক্লকই। লিটরেরি টেষ্ট (Literary Taste) খরদংগা হেন্না হাপ্পল্লবদি অতাঙবা পাউদম ওইরমগনি খল্লকই। অইবনা মশাগী পুন্সি ৱারী ফনা য়াম্নদি ইথোক্লবনি। অদুবু ৱাৎলি, মাগুম্বা চোকথবা লৈতবা, থিজিনবগী হালেংবা লৈত্রবা অমদগী পাউ য়াম্না তানীংলি। মাদি অনকপনা খঙবীদ্রবসু অরাপ্পা চীংলোন্নদি লুনা তৌখ্রবা মী অমনি। মদুগী খুদম হায়ববু মানা ইরি - 'পুন্সিদা দাগফম অমা' হায়না। মশাগী অনাবা অমদগী হোস্পিটালদা লৈরবদা চীংগী মরুপ মপাংশিংনা পৈশা থারক্লি, কিলোমিটর ১০০ হেন্না লাপ্পদগী মীওই কয়া লাক্তুনা মাবু অনাবা হংলরি। মসিদগী হেনবা করি লৈরিবগে? মতমদুদা থম্মোয় মহী চেনখি। অইবগী অশাবা পিনা লৈবাক্তা তাখি। চীং-তম অনীগী মরীদা দাগ লৈরক্লবা মতম অসিদা ওজা শরতকুম্বা তঙাইফদবা ওইরক্লি। অইবগী কলম লেপহন্নীংদ্রি। মখা তারকপা খৌরাংনা ঙাইরি। পলহৌরবা কাউশিং নত্তে, সনাগী লৈহাউনি তাউথরক্লিবা।

*— সলাম তোম্বা*

# কখুইগাই

থায়না মমাঙঙৈদা লোনে খুলদা মীরোনবী লুখ্রাবী অমা লৈরম্মী। নোংমা মানা ছম পুদুনা লৈহৌলা হেকপা চৎপদা লম্বীদা চাউরবা লাইরেন অমা থেংনরম্মী। লাইরেন অদু উবদা মহাক খঙদুনা 'হে পৌলাগাং' হায়না খংলাউ লাউরম্মী। লাইরেন অদুসু মাবু উবদা চঙশিনবা ঙমদদুনা মখোয় অনী মমিং চান্নদুনা য়েংনদুনা লৈরে। লাইরেন অদু চৎকে খনদে, মাসু কিদুনা চেনগে নীংদে। অসুম্না ঙাইহাক লৈনরবা মতুংদা মীরোনবী লুখ্রাবী অদুনা লাইরেন য়েংলগা হা লাইরেন নহাক অসে মীৎনা উবা লাইনি। ঐদি করিসু খঙদ্রবী পঙলবী নুপীনি। ঐনা নুপা ওইরল্লবদি নঙগা ঐগা উনবা মতম অসিদা নঙনা ঙল্লে ঐবু হাৎপা, ঐনা ঙল্লে নঙবু হাৎকদবনি। অদুবু ঐহাক্তি নুপী ওইবনা ইপাঙ্গল ইথৌনা লৈতে, শা ফারগা পুবসু ঙমদে। ঐগী পূক্লুংদা লৈরিবা ইচা অসি নঙগা থেংনবা ঙম্বা মতিক মথৌনা লৈবা নুপা ওইনা পোকচগে। ঐনা পোক্কদৌরিবা ইচানুপা অদুনা মরাইবক ফব্দগী নঙগা থেংনগদৌরিবনি খঙননবা ইচানুপাগী মমিং কখুইগাই থোনগে। ইচানুপানা মপূং মরৈ ফাদুনা মপাঙ্গল শারেপ ফারক্লবা মতমদা ঙসি নঙগা উনরিবা মফম অসিদা থারক্লে। নঙসু মতম অদু ফাওবা ঙাইবা ঙমগদবা ওইরবদি মফম অসিদা লেঙদনা ঙাইবিরো, ঙল্লোইদবা ওইরগনা হৌজিকমক ঐগী ইমাঙদগী চৎথোকপীখ্রো। মীরোনবী লুখ্রাবীগী ৱাদু তাবদা লাইরেন অদু মথ্বায় নুংঙাইত্রে, মফম অদুদা লেঙদনা লৈগে খল্লে। লাইরেন্না মথ্বায় নুংঙাইতবা মতৌদু উবদা মানা হায়জবদু য়াবিরমানে খল্লদুনা মীরোনবী নুপী অদুগী মখ্বাংদা য়েৎলিবা খ্বাংচেৎ অদু লৌথোক্লগা ফৈজা কোল্লে, মদু লাইরেনগী মকোক ময়াদা থল্লে। "হে লাইরেন ইবুংঙো নহাক্না ইচানুপা চাউদ্রি ফাওবা মফম অসিদা ঙাইবীগে য়াবিরবনিনা ঐনা থমজরিবা ফৈজা অসিনা মোনখাং ওইরগা পোত্থাদুনা ঙাইবীয়ু"। মীরোনবী লুখ্রাবীগী ৱাদু তারবদা মীরোন খঙলবা লাইরেন অদু তপ্না তপ্না চঙশিল্লক্তুনা ফৈজা মথক্তা মকোক থাঙ্গৎতুনা হিপ্পগুম্না লৈরে। মদু উবদা লুখ্রাবী অদু হরাওরে। ঙসি ঐখোয় অনী ঙাঙনরিবা ৱাসি কনা অমত্তদা হায়দোক্লগনুসি হায়রল্লগা মীরোনবী লুখ্রাবী অদু ময়ূমদা হল্লকই।

নুমিৎ হুমনি লৈরগা মীরোনবী নুপী অদুনা চৎতুনা লাইরেন অদু লৈরিব্রা লৈত্রা য়েংবদা লেঙদনা লৈরম্বদু উবদা মহাক মথ্বায় নুংঙাইনা ময়ূমদা হল্লকই। অসুম্না মতম খরা লৈরগা মীরোনবী নুপী অদু থাশিং শুরদুনা মচানুপা অমা পোক্লে। মঙানিশুবা নুমিত্তা অঙাং অদুগী মমিং কখুইগাই থোল্লে। লুখ্রাবী মমা অদুনা মচানুপা অদু য়োক্লা য়োক্লা মানা মীরোল্লিঙৈদা হায়নখিবা লাইরেন অদু হৌজিক ফাওবা মফমদুদা লেঙদনা লৈরিব্রা লৈত্রব্রা য়েংবা লাকপদা মানা পীরম্বা ফৈজা অদুদা মোনখাংনদুনা লাইরেন অদু লেঙদনা ময়া কাথোক্তুনা মমাঙদা চৎপা শা উচেক পূম্নমক চিংশিন্দুনা চাবদগী হৌজিক ফাওবা হিংদুনা লৈবদু উবদা লুখ্রাবী অদু হরাওরম্মী। মানা চাবগী শা উচেক্কী শরূ শয়াংনা মনাক্তা লৈপুংগুম্না পৈদুনা লৈ। লুখ্রাবী অদু অকিবা লৈতনা লাইরেনগী মনাক্তা চঙশিল্লগা "হে লাইরেন ইবুংঙো! নহাক্কী থৌজালদগী ইচানুপা অমা পোকচরে, মমিংসু হায়নখিবা মতুংইন্না কখুইগাই থোল্লে। মহাক হৌজিক অঙাং ওইরি, চৎপদমক ঙম্মি। মহাক্না পাখং ফারক্লবা মতমদা ইমা ইচা নহাক্কী ননাক্তা লাক্কে" অসি হায়রল্লগা লুখ্রাবী অদু ময়ূমদা হনখ্রগা মচানুপা কখুইগাই চাউনবা য়োকচখি। অসুম্না চহী কয়া হৌখ্রে, মচানুপা কখুইগাইসু পাখং ফারক্লে। নোংমা মামা লুখ্রাবীনা মচানুপাদা মানা মীরোল্লিঙৈদা লৈহৌলা হেকপা চৎপদা লাইরেনগা উন্নদুনা ঙাঙনখিবা ৱারী অদু লীদুনা তাহল্লে। ইমাগা হায়নখিবা মতুংইন্না লাইরেন অদু মফম অদুদা লেঙদনা নঙবু ঙাইদুনা লৈরি। মমাগী ৱাদু তাবদা কখুইগাই হোয় মাই পাউখুম পীদনা তূমিন্না মরূ লুক্তুনা লৈখি। মচাগী চিংনবা মওং মতৌদু উবদা মমানা, 'ইবুংঙো! নপূক্লিংদা করিমত্তা চিংনরুনু, নহাক্কী নরাইবক ফবদগী থেংনগদৌরিবনি খল্লু। চাউরবা লাইরেন অদু অচম্বা লাইরেন নত্তে লাই ওইরবনি, মাবু নঙনা ফাগদবা নত্তে। ইমানা খুঞ্জাদা ৱাকৎলগা শাগৈগী নপা নতোল ময়ামগা লোয়ননা চৎলগা মঙোন্দা অথেনপোৎ কৎতুনা হায়জরগা ফাগদবনি। মহাক অশেংবা লাই ওইরল্লবদি শোয়দনা ঐখোয়গী য়ূমদা লাক্কনি হায়রকপা মমাগী ৱাদু তাবদা মপূক্লিংদা চিংনবা কিরম্বদু কোক্লে। নুমিৎ অদুদগী হৌনা লুখ্রাবীনা য়ু থোংলে, য়ুঙৌ শুংলে। নোংমা লুখ্রাবীনা য়ু খরুং অমা পুরগা খুলগী থৌবৈদা থমদুনা খুঞ্জাদা ৱাকৎলে। খুঞ্জাগী অহল মাগী শাগৈ নাতৈ মখুরা মতোন পূম্নমক শুনা তিল্লক্লবদা লুখ্রাবীনা থোরক্তুনা মহাক্না মীরোল্লিঙৈদা লাইরেনগা উনদুনা ঙাঙনখিবা ৱারম পূম্নমক শুগায়না তমদুনা তাহল্লে। মাগী ৱাদু তাবদা খুলগী মীয়াম্না হয়েং অয়ূক অঙনবদা লাইরেন ফাবা চৎসি য়ানরে।

নোং ঙাল্লে, লুখ্রাবী মমা মচানা শিং মপোপ অসুবনে, মতোল থোকপা ফৌগী নপ্পোক অসুবনে উমি অসুবনে, য়ুপালনে পুরগা খুলগী মীয়ামগা লোয়ননা লাইরেন লৈরিবা মফম অদু তান্না লাক্লে। লুখ্রাবী মমা মচানা লাইরেন অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লগা খুরুমদুনা "হে লাইরেন ইবুংঙো! লুখ্রাবী ঐগা হায়নখিবা মতুংইন্না ইচানুপা কখুইগাই অসি ইবুংঙোগী নাক্তা পুদুনা লাকচরবনি। ঙসিদি ঐখোয় অনীনা হায়নখিবা মতুংইন্না নহাকপু ঈরাৎ থৌনিজগে। অসি হায়দুনা মমানা তাকপীবা মতুংইন্না কখুইগাইনা লাইরেনগী মকোক্তা শিং মপোপ অসুবা, নপ্পোক অসুবা, উমি অসুবা হাপ্পগা মথক্তা য়ুপান হৈথরে। ফৈগাও কৌবা ফি অদুনা লাইরেনগী মথক্তা কুপশিল্লগা "হে লাইরেন ইবুংঙো ইমাগা হায়নখিবা মতুংইন্না ঐগী য়ূমদা চৎলসি মাঙ থাবীরো হায়রক্লে। কখুইগাইগী ৱাদু তাবদা লাইরেন অদু মকোক থাঙ্গৎতুনা মীয়ামগী মাঙ থাদুনা চৎলে, মমা মচানা লাইরেনগী নাক্তা শেন্নবগী মওংগুম চৎলি, তুংদনা খুঞ্জাগী অহল লমন মীয়াম্না মখূত্তা থাঙ-তা, খূৎশু খূৎলায় পায়দুনা হোই লাউদুনা চৎলি। খরা চৎলগা খুলগী লম (লাঙ) য়ৌরবদা কখুইগাইনা থৌবৈ তাকপীরো হায়রক্লবদা লাইরেন্না চঙশিল্লক্তুনা থৌবৈ তাক্লে, পাখং ফাল লৈশাবী ফালসু চৎল-চৎলদুনা সুনা তাকহল্লগা মীয়ামগা লোয়ননা মাগী ময়ূম তান্না লাক্লে। ময়ূম য়ৌরবদা কোকক্ন কৌবা উমতুপ অমা কক্লগা লাইরেনগী মকোক মনাক্তা থল্লে। কখুইগাইনা লাংচৈ উগী চেপগনা লাইরেন মকোক্তু ফাদুনা চপ্লগা কোকক্ন মথক্তা থাংগৎলে, লাইরেন মঙক কক্লে। থাঙ মচিল তুম্বা অমনা লাইরেনগী মবুক হোগাইদুনা য়েংবদা সনা অহিংবা মচু মানবা শেম্লুং অমা লৈরম্মে। শেম্লুং অদু কখুইগাইনা লৌশিন্দুনা থল্লগা খুনগী অহল লমনশিংদা হৌনবী মতুংইন্না ঈরাৎ থৌনিরবদা লাইরেনগী মশা অদু অহল লমনশিংনা তরেৎ থোক্লা কক্তুনা থোংলগা খুনগী মীয়াম কৌথোক্তুনা শানৈ য়ুনৈরে, লাইরেনশা অথোংবদু চামিন্নরে। লাইরেনগী মকোক অদুনা কখুইগাইগী মাঙ্গোন্দা থেৎলে।

লাইরেনগী মবুক মনুংদগী ফংবা য়াইপুবা শেম্লুং অদুগী মপান্দগী কখুইগাইদি নোংমা নোংমগী ইনাকখুনবা হেনগৎলক্লে, চাবা থকপা ৱাৎত্রে খুন অদুদা মহাক ইনাকখুনবা মীশক অমা ওইরে। ইনাক খুন্দুনা অৱাৎ অপা লৈত্রবদা খুন অদুগী খুল্লাকপগী মচানুপীদু লুহোংলে। ওল্লকপা চহীদা মচানুপা অমা পোক্লে, মমিংনা গালুসুং থোল্লে। মতম খরা লৈরগা কখুইগাইগী মমা শিরে। কখুইগাইনা নুংঙাইরকপা অসিদা শাগৈ নাতৈশিংনা কল্লক্তুনা মাগী শেম্লুং অদু লোন্না লৌনবা ৱা তান্নবা হৌরক্লে। মহাক মশাদা নত্তনা মতু মচা ফাওবদা মখোয়না চানবা চিঞ্জাক্তা ফত্তবা হু য়াই হাপচিন্দুনা পীজবদা মশাদা লাইথুং পোক্লে। শাগৈ নাতৈগী ফত্তবা খুজিল থৌরাং অসি উবদা কখুইগাইনা মতু মচা পুরগা অতোপ্পা খুনদা হোংখ্রে। মখোয়না খুল্লান্দুনা থুংলুরিবা ইমুং অদুনা হেন্না মবুক ফৎলমদ্রে। ইমুং অদুদা মতম খরা লৈরল্লগা কখুইগাই শিরে, মতুসু মচাসু শিরে। মখোয়না থনম্বা শেম্লুং অদু শাগৈ ময়াম্না মুন্নবদা খৎনরে, শেম্লুংসু কায়রে।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**
**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৬

১) **''ঈচেলদুগী মতাইদা''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **''মসিদা এডুকেসন দিপার্টমেন্টনা শন্দোকপা সিলেবাসগী মতুংইন্না লোন তম্বীবগা লোঈননা হৌনবী অমসুং রাজভক্তি তম্বীবা হাঈবা অদু ঙম্বমখৈ কাঈদনবা ঙাকচরি''** মণিপুরগী খূৎমাবা ৱাক্যা অমনা ইবা লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপা ৱাহৈ খরনি। ৱাক্যা অসি কনানো অমদি ৱাহৌদোক অসিদা য়াওরিবা লাইরিক অসি করিনো?

৩) **''দাদীবুধা''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) **''অমেরিকাগী ঈশৈ''** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **''নঙগী ৱারী''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।